খোঙজং হন্দোক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ২৪ (ঐচ এন এস) : সওম্বুং কবুই খুলদগী পালমৈ কাগুইশিনলু হায়না কৌবী মহৈরোয় অমা কৈরাও মপাগী ইরিল তুরেলদা শিনা ফঙখিবা থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা জে এ সী এগেনষ্ট দ মিষ্টিরিয়স দেথ ওফ পালমৈ কাগুইশিনলু ওফ সওম্বুংনা থা অসিগী ২৫ দগী ইম্ফাল উখুল লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়না তৌরম্বা অদু লৈঙাক্কী মকোক থোংবশিং অমদি জে এ সী অসিগা য়ান্নবা পুরকপদগী হন্দোকখ্রে। এস পি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কে কবিবনা লুচিংবা পুলিস টিম অমগা জে এ সীগী মীহুৎশিংগা ৱারী শানরবা মতুংদা ৱারোল খরদা য়ান্নবা পুরকপদগী ইম্ফাল উখুল লম্বী থিংবগী খোঙজং নুমিৎ হুমনি হন্দোক্লবা ৱারেপ লৌখিবনি। হায়রিবা নুমিৎ হুমনি অসিগী মনুংদা য়ানখিবা ৱারোলশিং থবক্তা ওন্থোরক্তবদি মখা তাবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়না জে এ সীগী চেরোল অমনা হায়রি।

অনৌবা লুপ শেমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৪ : থৌবাল অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ক্লব কয়া পুনশিন্দুনা য়ুনাইটেদ ক্লবস এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ সেল্লর হায়বা অনৌবা লুপা অমা শেম্লে হায়না লুপ অসিগী সেক্রেটরি এম কুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা অমদি য়োনবা থিংনবা থৌবাল অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা ক্লব কয়ানা পুনশিন্দুনা ঙসি নুংথিল পুং ৪ রোম তাবা মতমদা লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিয়েসন, লমদিং খুমন্থেম লৈকাইগী ক্লবকী শঙলেনদা য়ুনাইটেদ ক্লব এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ সেল্লর থৌবাল এন্দ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কৌবা লুপ অমা শেমখ্রে। লুপ অসিগী থৌ পুগদবা মীওই কয়াসু খনখি। থৌ পুনবা খনখ্রবা মীওইশিং অদুদি প্রসিদেন্টতা সোরোখাইবম ওজিৎ, ভাইস প্রসিদেন্টদা কোঞ্জেংবম শ্যামা, এম দি অয়াজুদ্দিন অমদি য়েংখোম কুমার, সেক্রেটরিদা মোইরাংথেম কুমার, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরিদা এম দি অব্দুল সটর, জোইন্ট সেক্রেটরিদা এম দি ইস্লাওদিল অমদি ক্ষেত্রিময়ুম লালহরি অমদি ত্রেজররদা লাংপোকলাকপম রোমেন্নি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ঈচাউদা য়াওরকপা...

*লামায় ১গী মখা...*কেসকী রিজল্টদু য়েংলবা তুংদা অনাবসি টাইফস হায়না খঙনবা লায়না অদুনা নারে হায়বা খঙলকখি। লায়না অসি মি নৎত্রগা তিন-কাঙনা চীকপদগী শন্দোরকই হায়না অখঙ-অহৈশিংনা হায়নৈ। চীকপা নাবগী লাউ খোংদুনা অনাবদু খাংবা ঙমদবগী মওং উরকপদগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং খরা হেন্না ফগদ্রা খন্দুনা থা অসিগী ২২দা লাঙ্গোলদা লৈবা শীজ হোস্পিটালদা পুখত্তুনা অমুক লায়েংবা হৌখি। হোস্পিটাল অদুগী ডোক্টরশিংনা মহাকপু লায়েংবদা কিদনি অনীমক ফেল ওইরে, হার্টসু শোকচিল্লে, হিংবগী চাং শাথিনা নেমই হায়না ফোঙদোরকপদগী নুমিৎ নীনিগী তুংদা অনাবদু য়ুমদা পুথরকখিবনি অমসুং ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা লৈখিদবনি হায়রি।

মরক অসিদা, সেকমাইজিন মমাঙ লৈকায়দা লৈবা ইষ্টর্ন ষ্টার ক্লব অমসুং ৱাই দি সীগী থৌমীশিংনা পাউমীশিংগা উনবদা লৈখিদ্রবা মীওই অসি ঈচাউগা মরী লৈননা থোকপা থৌদোক ৱাথোকনি হায়না লৌফম থোকই। মরম অদুনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এক্স-গ্রেসিয়া পীবিয়ু হায়খি।

'পোলিটিকেল ...

*লামায় ১গী মখা...*ওইনা মখা তানা নমগদবা হোর্দিং নৎত্রগা হীরম খুদিংমক শর্ম্ম ইন্টরপ্রাইজেসতা নমদনবা খঙহনখ্রে। লৌখৎপা য়াবা এক্সনশিং লৌখৎলে। মখা তানা করি তৌসিগে হায়বদু খন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

GAS TODAY

KHONGNANG GAS AGENCY, BISHNUPUR
SL. NO. : 10894
Booking Upto:07/03/2017
Valid From:24/02/2017
Stk :306
Timing: 07:00am -10:00am

MAIBIA GAS, MOIRANG
SL. NO. 9550
Booking Upto:15/04/2017
Valid From:13/04/2017
Stk :306
Timing: 07:00am -11:00am

MANIPUR POLICE GAS
Booking Upto:17/04/2017
Valid From:15/04/2017
Stk :306,
CTC & DNSC Only
Timing: 10:00am -01:00pm

TDK, SEKMAI
Booking Upto:16/04/2017
Valid From:14/04/2017
Stk :500 (DBTL)
Timing: 07:00am -10:30am

HEIROK INDANE
Booking Upto:09/06/2017
Valid From:26/04/2017
Stk :306
Timing: 07:30am -11:30am

পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম হিঙ্গৎহন্দুনা বস ১৫ সার্বিস তৌবা হৌরে : সী এম

ইম্ফাল, জুলাই ২৪ (ঐচ এন এস) : পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম হিঙ্গৎহন্দুনা বস ১৫ রোম অহানবগী ওইনা সার্বিস তৌবা হৌরে হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি এসেমব্লিগী ৱাহং পাউখুমগী মতমদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি এসেমব্লি মীফমদা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেমগী মতাংদা এম এল এ ওক্রম হেনরিনা হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট (এম এস সী) হিঙ্গৎহন্দুনা থবক তৌবা হৌরে। হৌজিক বস ১৫না তোঙান তোঙানবা রুটশিংদা সার্বিস তৌরি। রিং-রাউন্দ সিটি বস সার্বিসতা বস মরি চেল্লি। ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট বস সার্বিসকী ওইনা বস ১১না তোঙান তোঙানবা রুটশিংদা চেল্লি। ইম্ফাল-ককচীং ফাওবদা বস অনী, ইম্ফাল-য়াইরিপোক ফাওবদা বস অনী, ইম্ফাল-মোইরাং ফাওবদা বস অনী, ইম্ফাল-মোরে ফাওবদা বস অনী, ইম্ফাল-নোনে ফাওবদা বস অনী অমদি ইম্ফাল-ফেরজোল ফাওবদা বস অমা চেল্লি। এম এস টি অসি ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা চলাইবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এম এল এ খুমুকচম জয়কিষণনা হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্সকী মতাংদা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, নেসনল হায়ৱেশিংদা ঙাক শেন্নবা সিক্যুরিটি প্রোটেক্সন পীবগী থবক চথরি। হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স দিপ্লোই তৌনবগী থৌরাংশিং লৈরি। সেন্টরদসু হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শানবা লৈখ্রে। মিনিষ্ট্রিদগী এপ্রুভেল লাক্লবা মতুংদা মখা তাবা থবকশিংসু পায়খৎকনি। রিক্রুটমেন্ট তৌরগা লাউথোক্তিবশিং অমদি আই আর বি বট্টালিয়ন্নচিংবা হাংদোক্তুনা পার্সনেলশিং খল্লগা থবক থৌরাং কয়া মখা তানা চথনবা মীৎয়েং চঙলি।

এম এল এ সুর্যকুমার ওক্রমনা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, লৈঙাক্কী ওইবা চে-চাংশিং, মিনিষ্টরশিংগী লেট্টরহেদনচিংবা নম্বদা দিন দয়াল উপধ্যাগী শক্তম হাপ্পগী থবক চথবা হৌখ্রে। ইন্দিয়াগী ফ্রীদম ফাইটর অমা ওইবদা নত্তনা শক্লাইরবা লূচিংবা অমা ওইখিবা দিন দয়ালগী শক্তম অসি ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াদসু ওফিসল ওইবা চে-চাংশিং নম্বদা হাপ্পবা য়াওখ্রে। দিন দয়ালগী সেন্তিনরি সেলেব্রেসনগী শরুক অমা ওইনা লূচিংবা অসিবু ঈকায় খুম্নবগী উৎপা থবক কয়াসু পায়খৎনরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুম পীদুনা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা হায়খি, মণিপুরগী অপুনবা রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়া অসি স্কৱার কিলোমিটর ৯৮৪.২৫নি। মসিগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টতা স্কৱার কিলোমিটর ৫৮.৮৫, ইম্ফাল ৱেষ্টতা স্কৱার কিলোমিটর ২১.২৭, সেনাপতিদা স্কৱার কিলোমিটর ২৫৩.৮৯, বিষ্ণুপুরদা স্কৱার কিলোমিটর ০.৯০, চুড়াচান্দপুরদা স্কৱার কিলোমিটর ৩৩৮.৩২, চান্দেলদা স্কৱার কিলোমিটর ১৪১.৮৬, তমেংলোংদা স্কৱার কিলোমিটর ১৪৭.৬৫, থৌবালগী ওইনা স্কৱার কিলোমিটর ২১.৫১নি।

রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়াদা লোকায়না লম খোপচিল্লকপশিং তকথোকপগী থবক পায়খৎলি। লাঙ্গোল রিজার্ব ফোরেষ্টতগী লম খোপচিনবা ৩২ তকথোকখ্রে। হৈঙাং রিজার্ব ফোরেষ্টতগী লম খোপচিনবা ৫৩ তকথোকখ্রে। রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়াদা লোনা য়াদবা মওংদা লম খোপচিল্লকপশিং অসি য়েংশিন্নবা থবক মখা তানা চথরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

সূদা লৈরিবশিংনা মী হাৎপা য়েংশিল্লু: রঞ্জিৎ

ইম্ফাল, জুলাই ২৪ (ঐচ এন এস) : সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ)দা লৈরিবা কাঙবুনা মোরেদা নুপী অমা হাৎপগী থৌদোক অসিগী মতুংদা মোরেদা অচৌবা ঈরাং অমা লাক্লে। সূদা লৈরিবশিংনা মী হাৎপগী থবক চথরকপা অসি হোম দিপার্টমেন্টনা য়েংশিল্লু হায়না এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা ঙসি এসেমব্লি মীফমগী জেরো অৱারগী খুদোংচাবা লৌরগা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি এসেমব্লি মীফমগী জেরো অৱারগী খুদোংচাবা লৌরগা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা হায়খি, সূদা লৈরিবশিংনা নোংমৈ পায়রগা চৎপা অমদি মী হাৎপগী থবক তৌরক্লিবা অসি নীংথিনা মীৎয়েং চঙবা চুমগনি। মোরেগী থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই অদু পুলিসনা ফারে হায়বদি তারে। অদুবু মখা তানা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবা মীৎয়েং চঙফম থোকই।

মোরেদা নুপী অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা থৌদোক অদুদা লমদম অদোমদা ঈরাং হৌরকপগা লোয়ননা বন্দনচিংবা তৌরকপগী ফীভম লৈখ্রে। অসিগুম্বা থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা মতম চানা মীৎয়েং চঙহৌবা চুমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা মখা তানা হায়খি, এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা টি এন হাওকিপকী ফোটোগ্রাফ বি জে পিগী হোর্দিংদা থেৎচিনবা থেংনরে। অসিগুম্বা থৌওং অসি করম্না তৌখিবনো হায়বদু নীংথিনা য়েংশিনফম থোকই হায়নসু ফোঙদোকখি।

জেরো অৱারগী খুদোংচাবা লৌরগা এম এল এ, এন লোকেননা হায়খি, নম্বোল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ওজাশিংগী মনুংদা এমজেল ফংদ্রিবা ওজা কয়ানা ক্লাস লৌদবগী খোঙজং চঙশিল্লকপগী ৱাফম অমা লাক্লি। মতম শাংনা হায়র সেকেন্দরি স্কুল অসিগীদমক ৱাজরল্লবা ওজা কয়া এমজেল ফংদবা অসিদা খোইশাওনরবা ওজাশিংনা ঈরাং হৌরিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মতম চানা মীৎয়েং চঙবা চুমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

জেরো অৱারগী খুদোংচাবা লৌরগা এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা হায়খি, কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর য়াইরিপোক অসি ডোক্টর মশীং শুনা থম্বীদবদগী নোংমদা পুং ২৪ সার্বিস তৌবগী থবক অদু থিংজিল্লগনি হায়না সী ঐচ সী মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী মায়কৈদগী থম্লক্লি। সী ঐচ সী অসিদা শুপ্পগী ডোক্টর অনীখক লৈরে।

পুং ২৪ চুপ্পা থবক তৌবা সী ঐচ সীদা ডোক্টর অনীখক লৈরগা মতৌ করম্না থবক তৌগদৌরিবনো হায়বা ৱাফম অসি লাকখি। তোঙান তোঙানবা পি ঐচ সী অমদি সী ঐচ সী কয়াদা ডোক্টর মশীং য়াম্না লৈরগা সী ঐচ সী য়াইরিপোক্তা শুপ্পগী ডোক্টর অনীখক্তগী হেন্না থম্বীদবা হায়বসি য়ানিংদে হায়না সী ঐচ সী মেনেজমেন্ট কম্মিটিকী মায়কৈদগী থম্লক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

অঙাংদা কারল তারুবা লৈকায়না ৱারক্লগা পুলিসতা শিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৪ (ঐচ এন এস) : অতোপ্পা নুপা অমদা ময়ুম পাল্লুরগা চেল্লকপা চহী ১৩ রোমতমক ঙাইরিবী মচানুপীদা কারন তাবা মপা লৈকায় মীয়াম্না ফাদুনা নীংথিনা ৱারক ৱাতেল্লবা তুংদা পুলিসতা শিন্নখ্রে।

লৈকায় মীয়াম্না ফারগা ৱারকখ্রবা নুপা অদু কছারদগী মুস্লিমনি। ফৈদিঙ্গাদা অশানবা য়ুম অমা ৱায়রগা মীতৈ নুপী অমা লৌরগা লৈবনি। চহী নৌরিবী নুপীমচা অদুদা মওং চুমদবা থবক থৌরমশিং চথরে হায়বা পাউ ফংবদগী মীয়াম হৌরক্তুনা মপানি হায়বা মুস্লিম অদু ফাখি হায়রি।

লৈকায় অদুদগী ফংবা পাউনা হায়, নুপা অদু ঙসি অয়ুক পুং ৯.৫০ রোম তাবদা মীয়াম্না ফারবা তুংদা সেকমাই পুলিস ষ্টেসন্দা মখা তাবা লোগী থবক লৌখৎনবা শিন্নখ্রে। সেকমাই পুলিসনা নুপা অদু প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুএল ওফেন্সেস (পোক্সো) এক্টকী মখাদা এফ আই আর অমা লৌখৎলবা তুংদা ঙসি জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফাষ্ট ক্লাস ইম্ফাল ৱেষ্ট-২গী কোর্টতা পুথোক্লবা তুংদা নুমিৎ ৪নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌখ্রে।

মণিপুরদা অহেনবা য়ুম শাবগী...

লামায় ১গী মখা... কে ভবানন্দগী মায়কৈদগী য়ুম অমা শাবদা পীরিবা তেংবাং অমসুং ষ্টেট অসিদা চৎনরিবা মমলশিং য়েংদুনা য়ুম অমা শাবগী অচঙমলশিং সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা হেনগৎহনগদ্রা অমদি হৌখিবা চহী অহুম অসিদা ষ্টেট অসিদা ব্লোক ব্লোক্কী ওইনা স্কিম অসিগী মখাদা খনখিবা বেনিফিসরিশিংগী অকুপ্পশিংসু মিনিষ্টরদগী খঙবা পামখি। মিনিষ্টর ওফ ষ্টেটনা হায়খি, পি এম এ ৱাই - জিগী মখাদা পীরিবা য়ুনিট এসিষ্টেন্স অসি তম্পাক্কী এরিয়াশিংগী ওইনা লূপা ১.২০ নি অমসুং চীংগী এরিয়াশিং (হিল ষ্টেটশিং) অমসুং খুদোংচাদবা এরিয়াশিংগী ওইনা লূপা ১.৩০ নি হায়না ফোঙদোকখি। মসিদা নত্তনা এম জি এন আর ঈ জি এসকী মখাদা নুমিৎ ৯০/৯৫ নিগী অনস্কিল লেবরগী খুৎশুমন লোয়ননা স্বাছ ভারত মিসন (এস বি এম) দগী লূপা ১২,০০০ কায়বসু য়াওরি হায়খি। মণিপুরগী ওইনা পি এম এ ৱাই - জিগী ব্লোক ব্লোক্কী বেনিফিসরিশিংগী অকুপ্পশিং ষ্টেটনা রিপোর্ট তৌরকপগী মতুং ইন্না মরী লৈনবা ৱেবসাইটতগী ফংগনি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

কে ভবানন্দনা হংখিবা অতোপ্পা অনষ্টার ৱাহং অমগী পাউখুম ওইনা মিনিষ্টর ওফ ইনভাইরনমেন্ট, ফোরেষ্ট এণ্ড ক্লাইমেটকী ডা: হার্শ ভর্ধননা হায়খি, নম্বুল অমসুং ৱাইশেল মরিল বেসিনশিংগী অমোৎপশিং শেংনবা লূপা ক্রোর ৪৫২.৪৪ গী শেনফমগী ওইবা কনসেপচুয়েল প্রোজেক্ট রিপোর্ট অমা হৌখিবা ২০১৫ গী মেদা মণিপুর গভর্নমেন্টতগী ফংলে হায়খি। তৌইগুম্বসুং এন আর সি পিগী গাইদলাইনশিংগী মখাদা শেম-শারক্তবনা প্রোজেক্ট রিপোর্ট অদু ষ্টেট গভর্নমেন্টতা মতমদুদা অমুক হনখ্রে। অদুনা এন আর সি পিগী মখাদা মণিপুরগী নম্বুল তুরেল মোৎপা হন্থহন্নবা মিনিষ্ট্রি অসিনা ষ্টেট গভর্নমেন্টতা ফন্দ অমত্তা থাদোকপা লৈত্রি হায়খি।

শুক্লৈলৈতবা ফাইল নম্বরদা ...

*লামায় ১গী মখা...*এসিষ্টেন্ট সাইন্স গ্রেজুয়েট টিচর ওইনা থবক চঙহল্লম্বগী মতাংদা ভিজিলেন্স কেস অমসু পায়খৎখি। হিরম অসিগী মতাংদা থিগৎলুবদা স্কুল মেনেজিং কম্মিটিগী ডি পি সি মীটিংনা রেকমেন্দ তৌবগী চেরোল অদুদা খুরাই সাজোর লৈকাই হায় স্কুলগী হেদমাষ্টরনা তৌবা খুৎয়েক অদু অশাবনি হায়বা খঙলকখি। মতৌ অসুম্না জয়কুমারবু এসিষ্টেন্ট সাইন্স গ্রেজুয়েট টিচর ওইনা থবক চঙবগী মতম কুমজা ১৯৮৬ কী জুলাই ১৩ ওইবগী মহুৎতা কুমজা ১৯৮৭ কী জুলাই ১৩ দা শেমদোক্লবা রেকমেন্দ তৌখি।

ভিজিলেন্স কম্মিসননা কেস নম্বর ১/এস পি - ভি/২০১৪ গী ইনক্বাইরি চথবদা সোসল ৱেলফেয়রনা পেন্সনরশিংগী পেন্সন পীনবগীদমক লূপা ১,২১,৪৬,৬০০ কায়থোক্লম্বা থেংনখি। মদুগীদমক কম্মিসননা এদমিনিষ্ট্রেটিভ ডিপার্টমেন্টতা স্পেসল ওদিট চথনবা রেকমেন্দ তৌখি হায়রি। এফ আই আর কেসশিংগী মনুংদা লিলোং হাওরৈবী মখা লৈকাইদগী মহমদ মুহিবুর রহমন অমদি মহমদ জাহুর অলিনা মথংশিংনা কৈথেলমানবী হায় স্কুল অমদি মোংকোট চাপু হায় স্কুলদা অন্দর গ্রেজুয়েট টিচর ওইনা থবক তৌহনবগী ৱাফম য়াওরি। মপূং ফানা ইনভেষ্টিগেসন চথরবা মতুংদা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট সেনাপটিদা চার্জসীট ফাইল তৌদুনা মহমদ মুহিবুর রহমনগী মথক্তা ট্রায়েল চথনবা থৌরাং লৌখৎখি হায়রি।

থৌবাল নিঙোম্বমদগী নিঙোম্বম হেরা সিংহগী মচা এন অজয় সিংহ কৌবা মীওই অমনা অশাবা ওর্দর উৎলগা খাঙবোক হায় স্কুলদা এসিষ্টেন্ট টিচর ওইনা থবক তৌরম্বা অমসুং তৌপোকপী জুনিয়র হায় স্কুলদা বিমোলা দেবী অমদি সুরজকুমার সিংহ কৌবা মীওই অনীনা অশাবা এপোইন্টমেন্ট ওর্দর উৎলগা অন্দর গ্রেজুয়েট টিচর ওইনা থবক চঙলম্বগী মতাংদসু এফ আই আর কেস রেজিষ্টর তৌখি হায়রি। মপূং ফানা ইনভেষ্টিগেসন চথরবা মতুংদা হায়রিবা মীওই অনী অসিগী মথক্তা ট্রায়েল চথনবগীদমক চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা চার্জসীট ফাইল তৌখি হায়রি।

'খুমন লম্পাক্তা কৈথেল শানবা এসেমব্লিদা ৱারেপ লৌগদবনি'

ইম্ফাল, জুলাই ২৪ (ঐচ এন এস) : খুমন লম্পাক্কী ইন্টর ষ্টেট বস টর্মিনসকী মায়োক্লবদা নুপী কৈথেল শানবা কুমজা ২০১৪দা নোর্থ ইষ্ট কাউন্সীলনা শেল থাদখ্রবসু ঙসি ফাওবা শাদনা লৈরিবসি এসেমব্লি মীফমদা পুথোক্তুনা খন্নরগা কৈথেল শাবা হৌনবা ৱারেপ লৌগদবনি হায়না ইমা পান্থোইবী ষ্ট্রিট ভেন্দর য়ুনিয়ননা দিমান্দ তৌরক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ চন্দ্রজিনিনা হায়খি, খুমন লম্পাক্কী ইন্টর ষ্টেট বস টর্মিনসকী মায়োক্লবদা লৈরিবা মতম খরগী ওইবা কৈথেল অসিদা নুপী কৈথেল শানবা হান্না লম একর ১০০ লৈখ্রবনি। কৈথেল শানবা নোর্থইষ্ট কাউন্সীলনা শেল থাদরকখ্রবসু ঙসি ফাওবা শাবদি হৌদ্রি।

মমাঙদা পানখিবা য়ু পি এ গভর্ণমেন্টনা নুপী কৈথেল অসি শাগনি হায়বগী থাজবা পীরম্বা লৈখি। মদু কুমজা ২০১১দগী ঙসি ফাওবা য়ুনিয়ন অসিনা লেপ্তুনা মেমোরেন্দম্নচিংবা পীশিন্দুনা তকশিনখিবদগীনি। কৈথেল শাবীগনি হায়দুনা মীনম্বা ৱা ঙাঙবা, কৈথেলশিংদি শাবীদনা থেমদুনা থম্বগী ফীভমদা লৈরি। মসিদা নুপীশিংনা পেন্দে হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

লৈবাক অসিদা এন দি এগী গভর্ণমেন্ট লাকখ্রবসু হান্নগী গভর্ণমেন্ট মতমদা য়ানখিবা কৈথেল শাবগী ৱাফম অমদি শেল কায়থোকখিবদু য়েংশিনবীনবা য়ুনিয়ন অসিনা তকশিন্দুনা লাকখি। কৈথেল শানবা লম অসিসু গভর্ণমেন্টকীনি, চয়েৎনবা অমত্তা লৈতে। ইন্টর ষ্টেট বস টর্মিনসকী মায়োক্লবদা লৈবা এপেক্স কোওপরেটিব সোসাইটিগী মনাক্তনি। নুপী কৈথেল শানবা শেলসু নোর্থ ইষ্ট কাউন্সীলনা থাদখ্রে হায়বা তারে। হায়রিবা শেনফম অদু কদাইদা শীজিন্নখ্রবগে হায়বদু এসেমব্লি মীফমদা পুথোকপীয়ু হায়রি।

ট্রান্সফর ওর্দর ...

*লামায় ১গী মখা...*কয়া লাউরদুনা থৌবাল দি সী ওফিস তম্না লাকখি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ও সী ঋশিকেশনা লূচিংবা পুলিসকী টিম অমনা মহৈরোয়শিং অদু থৌবাল পুলিস ষ্টেসন মনাক্তা থত্তুনা থমখি। মহৈরোয় মরি খনগৎলগা দি সী থৌবালগা উনহনখি অমসুং মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি। স্কুল অসিগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি টি ঐচ প্রেমানন্দনা হায়খি, ক্লাস টেন অমদি এলেবেন তল্লিবা মহৈরোয়শিংগী একাদেমিক সেসন তঙ্খায় চল্লক্লবা মতমসিদা ওজাশিং ট্রান্সফর তৌবসি য়ানিংদে। স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংগীদমক ৱাজরল্লবা ইংলিশকী ওজা অনী, মেথমেটিক্সকী ওজা অহুম অমদি হিন্দী ওজা অমা পুন্না ওজা তরুক ট্রান্সফর তৌবগী ওর্দর থোক্লিবসি নুমিৎ ৩নিগী মনুংদা ককপীয়ু। ওর্দর অসি ককপীদ্রবদি য়ুনিয়ন অসিনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীহাৎপা কাদরগী মথক্তা থবক...

*লামায় ১গী মখা...*রিভিয়ু তৌরগা লিগেলগী ওইবা থবকশিংসু লৌখৎকনি।

মমাঙদা সূ চথরিবা গ্রুপনা গ্রাউন্দ রুলগী ৱাংমদা থবক তৌরকপা অমদি খুৎলাই পৈশিনবনচিংবগী মওং লাকপদগী কাংপোকপীদা কেম্প অমদা সিক্যুরিটিনা রেইদ চথবা লৈখ্রবনি। সূগী গ্রাউন্দ রুলশিং নীংথিনা ঙাক্লা চৎফম থোকই। ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা চঙবা য়াবা মীৎয়েংশিং চঙগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

য়েলহৌমীশিংগী সিট রিজার্ব তৌ ...

*লামায় ১গী মখা...*নোংমা কাংদনা মীতোপকী মশীং হেনগৎলক্লিবা অসিনা হীরম খূদিংমক্তা য়েলহৌমীশিংবু লাকশিল্লক্লি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদগী ইশানা ইশাবু কঞ্জনবা লৈবাক অসিগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী খূদিংমক্তা মীতোপ্পা মীখলদা মীরেপ ওইবা য়াহন্দবা হায়বা পান্দম অমদি ৱাখল্লোন্দা য়ুম্ফম ওইদুনা হৌজিক হৌজিক মীতোপ্পা লাকশিল্লকপগী ফীভমদা লাক্লিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী নিপান অসি হান্না য়েলহৌমীশিংগী সিট রিজার্ব তৌনবা দিমান্দ তৌবনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, রিজার্ব সিট ওইনা লাউথোক্লবা দিমান্দ তৌরিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী নিপান অদুদি বিষ্ণুপুর, জীরিবাম, কাংপোকপী, সগোলবন্দ, উরিপোক, শুগ্নু, থাংমৈবন্দ অমসুং ৱাঙ্খৈনি।

মীতোপ মীয়ানচাশিংগী খুত্তগী ইশানা ইশাবু কঞ্জনবা কে এস এনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিগী মনুং চন্না অহানবা ওইনা থা অসিগী ১৯দা গভর্নরগী গেটতা প্রোটেষ্ট তৌবগা লোয়ননা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখিবা লৈখ্রে। মদুগী মতুং তারকপদা ঙসিসু চীফ মিনিষ্টরদা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী নিপান অসিদগী হৌরগা এ সী খূদিংমক্তা লৈরিবা সিটশিং অসি য়েলহৌমীশিংগী সিট রিজার্ব তৌগদবনি হায়না তকশিনখ্রে। কে এস এনা তকশিল্লিবা দিমান্দ অসি হৌজিক হৌজিক চথরিবা এসেমব্লি মীফম্নসু খন্নদুনা ৱারেপ লৌগদবনি অমদি কে এস এনসু দিমান্দ অসিবু ফংদ্রি ফাওবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়রি।

দ্রগ চাবা অমদি য়োনবগী মায়োক্তা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৪ (ঐচ এন এস) : ওইনাম ৱাঙ্গোই মুসলিম ৱেলফেয়র এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইল্লিসিট ত্রাফিক্কিং হায়বা হীরমদা খন্ন নৈনবগী মীফম অমা ইম্ফাল বরাজ কম্পাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ময়াং ইম্ফাল পুলিসকী এস দি পি ও হৈস্নাম বসুলান, নোনে দিষ্ট্রিক্ট, খৌপুমগী এস দি ও/বি দি ও এম দি ফেরোজ খান, এন সী বি ইম্ফালগী সুপরিন্টেদেন্ট প্রনিট শর্ম্মা, অঞ্জুমান লিলোংগী কোওর্দিনেটর অলহা এম ভি মুহৈয়ুদ্দিন, ৱাঙ্গোই পি এসকী ও সী টি ইনাওবী, লিলোং পি এসকী ও সী এম দি রিয়াজ শাহ অমদি পারি য়াইফ লোইশঙগী প্রোজেক্ট কো-ওর্দিনেটর কেঐচ বসন্তনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি স্পেসল ইনভাইটিজ ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী ৱাঙাংলোইশিংনা লমদম অসিদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা, য়োনবা অমদি পুশিল্লকপনচিংবগী অথিংবা লৈনা লৈনা মীওই কয়ানা নারোন্দা শিবা কিদনা পুশিল্লক্তুনা লল্লোন ঈতিক তৌরিবশিং অসি পুলিস খক্তনা থিংবা ঙল্লোই। মসি মীয়াম পুন্না থিংমিন্নবা তাই হায়খি।

লৈকাই লৈকাইদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা অমদি য়োল্লিবশিং অদু লৈকাইগী মীওইশিংনা লোৎশিন্দুনা থম্বগী মহুত্তা মখোয়বু ইচা-মীচা য়েংদনা অফবা লম্বীদা পুরক্লবা হোৎনবা লোয়ননা তুংগী অফবা মীওই অমা ওইহন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই। পৈশা য়াম্না ফঙই হায়দুনা চীংগী লমদা পোপী পাম্বী থাদুনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙনবা হোৎনবা অসি অফবা থবক নত্তে। হৌজিক লমদম অসিদা নোংমা কাংদনা ইনখৎলক্লিবা নহা কয়া ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তা ঈরাক্লবদগী তুংগী য়ুম্বীরেল ওইগদবা মীওই কয়া পুন্সি মাঙবা কয়া লৈরি। মমা-মপা ওইবশিংনা মচাবু পীয়ু হায়বতা পীবা, মচাগী মরমচৎ অমদি কনা কনাগা তিন্নরি হায়বা কুপ্পা য়েংহৌদবদগী মচানা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবদগী অশিবগী খয়াৎ নকশিল্লক্লবা মতমদা খঙলকপদা নিংঙমদবা কয়া পোল্লক্কনি।

মরম অদুনা মতম লৈরিঙৈদা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংবু তিঞ্জং কায়জংদবা অমদি লৈবাক্কী মতিং লৈবা অফবা মীওই অমমম ওইহন্নবা হোৎনমিন্নসি। মমা-মপা অমদি লৈকাইগী মীওইশিংনা মফম অমদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক য়োনবা অমদি চাবা লৈরবদি লোৎশিন্দুনা থম্বীগনু। মরী লৈনবশিংদা পাউ পীবীদুনা ঙল্লিঙৈ মতমদা মখোয়বু অচুম্বা লম্বীদা পুরকপদা মতেঙ পাঙবীয়ু। পুলিস খক্তনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা থিংবা ঙল্লোই। মীয়ামগী মতেঙ য়ামনমক তঙাযফদে হায়না ৱাঙোংলোইশিংনা ফোঙদোক্লখি।

এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসিবু শিল্লী লাংলিংবা ওইনাম ৱাঙ্গোই মুসলিম ৱেলফেয়র এসোসিয়েসন অসি লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা অমদি য়োনবা থিংনবা শেমখিবা লুপনি। লুপ অসিনা হৌখিবা চয়োল অনী অসিগী মনুংদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক য়োনবা নুপা অমগা নুপী অমগা দ্রগকা কোন্ননা ফারগা পুলিসতা শিনরবা মতুংদা জেলদা থম্বা য়াওখ্রে। ঙসি পুলিস অমদি মীয়ামগা পুন্না খুৎশম্নদুনা চথরক্লিবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসিনা লমদম অসিগী মীওইশিংদা অচৌবা কান্নবা অমা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

মৈ মুংখিবদগী হাউসকী মীফম মিনিট ...

*লামায় ১গী মখা...*ষ্টেটসিদা বি জে পিগা চুংশিন্নবা লৈঙাক লাকখ্রবা মতুংদা পোট হোলশিং মেনবগী থবক চথখিবা অসিগীদমক লুপা ক্রোর কয়া কায়থোকখ্রবগে হায়বসি খঙহনবা চুমই। ষ্টেট অসিদা হন্দক থোকখিবা ঈচাউ অসিনা মরম ওইরগা মফম কয়াদা লম্বীগী ফীভম শোক্লে। ফীভম শোক্লবা লম্বীশিং অসি শেমগৎনবা ৱার্ক দিপার্টমেন্টনা করম্বা থবক লৌখৎলিবগে হায়বসি খঙহনফম থোকই।

সী আর এফকী মখাদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লম্বী শেম্নবগীদমক পর্পোজেলশিং থানবা খঙহল্লকখি। এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীশিংদা এম এল এশিংগী খুত্থাংদা ৱার্ক প্রোগ্রামশিং হাপ্পবা খঙহল্লকখিবগী মতুং ইন্না লম্বী কয়া শেমগৎনবা হায়খিবা লৈখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবা সী আর এফকী মখাদা লম্বী শেম্বগী মতাংদা করি প্রোসেস লৈরিবগে হায়বসি খঙহনফম থোকই। করম্বা মতমদা সী আর এফকী ফন্দ অসি লাক্তৌরিবনো হায়বা ৱাফম লাক্লি। সেন্টরনা অয়াবা পীরক্লে হায়না লাউথোকখিবা লম্বীশিংগী মতাংদা করি ফীভমদা লৈরিবগে হায়বসিসু খঙহনফম থোকই হায়নসু ফোঙদোকখি।

ট্রান্সপোর্টকী দিমান্দ খন্নরকপদা শরুক য়ারদুনা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা হায়খি, মণিপুরদা গাড়ী মশীং হেনগৎলকপগী চাং অসি য়াম্না ৱাংলি। হৌখিবা চহী খরা অসিদা ষ্টেট অসিদা গাড়ী মশীং অসি য়াম্না য়ামগৎলকপগা লোয়ননা লম্বী চিনবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লুরে। খ্বাইরম্বন্দগী অকোয়বগী লম্বী কয়া ওফিস মতমদদি য়াম্না চিনবনা মরম ওইরদুনা অথু-অকায়গী থবকশিং চৎপদা অৱাবা মায়োক্লুরে।

মহাক্লা হায়খি, লম্বীদা গাড়ী চিনবগী চাং হন্থহন্নবা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিং ওফিস কাবা অমসুং কুম্বদা বস ওইনা শিনবা য়াগদ্রা? ওফিস কারিবশিংনা লন্নাইগী গাড়ী পুরকহন্দনা বসতা চৎহল্লগা ওফিস লোইরগা অমুক ময়ুমদা থিল্লগদি ওফিস কাবগী চাং নাইরগনি। মসিদসু নত্তনা মণিপুরদা ঙাইহাক লৈতনা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিং থোক্লিবসি পরম চুম্না গাড়ী থৌদবা কাঙবু অমা থোরকপদগীনি। মণিপুরগী ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী গাড়ী লাইসেন্স পীবগী মওং মতৌ অসি লৈবা য়োনবরোমদা তৌরে। লৈঙাক্লা লাইসেন্স পীবগী মতৌ অসি য়েংশিনফম থোকই।

মহাক্লা হায়খি, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা দুকান ফল্লিবশিংনা মখোয় মখোয়গী গাড়ীশিং দুকান মমাঙদা নুংথিল চুপ্পা অমা থল্লিবসি তোকহল্লগা দুকান ফম্বা লাকপদা কনাগুম্বনা মখোয়বু থাদবীরল্লগা দুকান ফম্বা লোইরবা মতুং অমুক লৌবা লাক্লগদি লম্বীদা গাড়ী পার্ক তৌবা থিংবা য়াগনি। মসিগীসু মথক্তা গাড়ী লৈবা মতমদা ময়ুমদা গাড়ীগী গেরেজ লৈরে হায়বগী সার্টিফিকেট অমা য়াওদ্রগদি গাড়ী লৈবা য়াদবগী থৌশীল অমা শেম্না য়ারোইদ্রা?

সোসল ৱেলফেয়রগী দিমান্দ খন্নরকপদা শরুক য়ারদুনা মহাক্লা হায়খি, আই সী দি এস প্রোজেক্টকী মখাদা ৫শুবা ফেজগী ওইনা অঙ্গনৱাদি সেন্টর ১০০০ রোম শাবগী য়াল্লবা শেনফম লাপসেস ওইখি হায়বসি কদাই ফাওবা চুম্বগে? ৬শুবা ফেজগী ওইনা অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিং শানবগীদমক মফমশিং খঙদোকপা লোইরব্রা?

মহাক্লা হায়খি, অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমদি হেল্পরশিংগী থা ৫/৬কী ওনরিয়ম পীথোক্তে হায়বসি চুম্লা? পীকখ্রবা শেনফম অসি পীথোক্তগদি কমদৌনা মখোয়না অঙাংশিং লোয়নগনি। অতোপ্পা ষ্টেটশিংদদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা সেন্টরনা পীরকপা ওনরিয়মদা শরুক খরা হাপচিল্লগা শেল চাউনা ফংহল্লি হায়রিবসি মণিপুরদা পায়খৎপা লৈব্রা?

খন্ন-নৈনবদুদা এম এল এ, কে মেঘচন্দ্র; আর কে ইমো; সুর্যকুমার ওক্রম; ফজুর হরিম; কে ঐচ জয়কিষণ; টি ঐচ লোকেশ্বর; এ কে মিরাবাই; এন লোকেন, এম দি অব্দুল নাসিরনচিংবসু শরুক য়াখি।

ফিসরিজগী দিমান্দ খন্নরকপদা এম এল এশিংনা থল্লকখিবা কট মোসনশিংগী মতাংদা শেংদোক্লদুনা ফিসরিজ মিনিষ্টর এন কায়সিনা হায়খি, ঈচাউনা শোকহনখ্রবা ঙাগী ফার্মশিংগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংনবগীদমক সেন্টরদা রিপোর্ট অমা থমখ্রে। হন্দক ঈচাউ থোক্তুনা ঙাগী ফার্ম কয়া মাঙহন-তাকহনখিবা অসি চাউরাক্লা হেক্টর ১৬,৯২০গী মথক্তা ওইগনি হায়না পারি। সেন্টরদগী ফন্দ থাদোরক্লবা মতমদা অৱাবা তারবশিংগীদমক মতেং পাংনবা মীৎয়েং থল্লি।

ঈচাউনা অমাঙ-অতা থোকখ্রবা ঙাগী ফার্মশিং অসিগীদমক ফিসরিজ দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ঙা মচাশিং পুথোক্লবগী মতাংদা থৌরাংসু তৌরি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফাওবদা ঙাগী মার্কেট অসি মোইরাংদা অমা লৈ। অর্বান এরিয়াদা ঙাগী মার্কেট অমা লৈহন্নবা করি পায়খৎপা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

সোসল ৱেলফেয়রগী দিমান্দ খন্নরকপদা এম এল এ কয়ানা পুখৎনরকখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা হায়খি, সোসল ৱেলফেয়রনা অহল ওইরবশিংগী পেন্সন পীবগী থবক অসি দাইরেক্ট বেনিফিট ট্রান্সফর সিষ্টেমদা পীনবা থৌরাং হৌরে। বেঙ্কতা শেল কায়থোকপা ঙমদবা অহল ওইরশিংগী ওইনদি ময়ুম-ময়ুমদা থিন্নবগী থৌরাংসু তৌরি। পেন্সনরশিংগী মনুংদা অহল ওইরকপদগী লৈখিদ্রবশিংগী লিষ্টনচিংবা লৌখৎতুনা নীংথিনা রিপোর্ট পীখৎলক্লবা দি সীশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফেয়র ওফিসারশিংদা খঙহনখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

মরী লৈনবা মিনিষ্টরশিংগী শেংদোক ৱারোল তারবা তুংদা ওপোজিসন মেম্বরশিংনা মমাঙদা থমখিবা কট মোসনশিং লৌথোক্লবা তুংদা দিমান্দ নম্বর-৬ ট্রান্সপোর্ট, দিমান্দ নম্বর-৮ পব্লিক ৱার্কস দিপার্টমেন্ট, দিমান্দ নম্বর-৩৭ ফিসরিজ, দিমান্দ নম্বর-৪৪ সোসল ৱেলফেয়রগী শেনফমশিং পাস তৌখ্রে।

CAS Foundation No.1 in Manipur
CAS Main Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal

ADMISSION IS GOING

FOUNDATION COURSE

CLASS XI & XII (3RD BATCH)
(Physics, Chemistry, Maths, Biology & English)

CLASS X (3RD BATCH)
(English, Maths, Science & Social Science)

Seats are Limited First Come First Serve

Morning Batch (5.00– 8.00 A.M.)
Evening Batch (4.30– 7.30) P.M.
Hostel for BOYS & GIRLS available

For Details contact:- CAS Office Centre for Advanced Studies Keishampat Junction, Imphal.

HL-B/3971/18-31Jy